মণিপুরগী থাজ ৱারী অমদি লাইনীং লাইচৎতা মরু ওইবা মফম কন্দুনা লৈরিবা ওক

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মণিপুরদা খুন্দারিবা মীওই কয়ানা পাম্না চানবা চিঙাকশিংগী মনুংদা ওকসু অমনি। কাঙলূপ খরগী ওইনদি নামুং শানি, য়েংবা ফাওবা তৌহৈদবগী ফীভমদা লৈ। অদুবু ওক লোয়রগা ইমুং পুবা, মচা মশু শেম্বা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। মকোন্দা লৈজবা ওক্তু য়োন্থোকখিবা মতমদা মানা চৎলোইদবগী কপ-লাউবদু নুংশিখ্রজাৎনি, য়েংবা ঙমদে। অসিগুম্লবা ওক অসি লমদম অসিগী নাৎ অমসুং লাইনীং লাইচৎকা থাদোক্লবা য়াদনা লৈরক্লি হায়বসি অহল লমনশিংনা মীরোল মথং মথং লান্না থঙথবীরকখিবা ৱারী লাইরিকশিং অমদি লাইথৌ তীন্থৌগী থৌরমশিংদা য়াওবা ওক শরেন চনবদগী খঙবা ঙম্মী। উমং লাই হরাউবদা ওক শরেন চনবগী মতাং য়াওরিবনি। হৌজিক হৌজিকমকসু ফয়েংগী লোয়ালাকপা অমসুং কৌব্রু, অৱাং সেকমাইগী কৌব্রুনচিংবা লাইশিং, অন্দ্রোগী পনম নিংথৌ অমসুং পুরৈরোম্বা হরাউবদা ওক্লা শরেল চল্লি। ককচীং হরাওবদা ওক শরেন চল্লম্বগী ৱাফম অখণ্ড অহৈশিংনা থম্বী। ওক্কী মহুৎ শরেংনা শিনখ্রে। লৈশেম্লোন মিথতসু অতিয়া শিদবনা লৈনুং পিশানুগা ৱাতান্নদুনা ওক পোকখি হায়বগী ৱারোল লৈথক লৈখারোল হায়না মিংথোনবা পুয়াদা য়াওরি। মালেম লৈশেম্বা মতমদা লৈবাক মরোল অমা ওক্লা পুখি। মহাক্কী মথক্তা পাফনগী নাওফম থাবগা লোয়নননা মনাক্তা সুরাই নীংতোঙবা, চাওরা মপাল থাবা অমসুং লৈনুং পীশিলনু লৈখি।

লাই হাক্তক্তগী লৈরক্লবা ওক অসি লমদম অসিদা তারক্কদবা অৱা অনা ঙাকথোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা য়েলহৌ লাইথৌ তীন্থৌগা শাগোন্নরিবা শানি হায়বসি শাকোক লল্লেন্নচিংবা পুয়াদা য়াওরিবা লাই-তীল থাজ ৱারীনা ময়েক শেংনা উৎলি। মৈদিংঙু নাওফংবনা পানবা মতমদা মীরম গুরু অমা থুংলবগা লোয়নননা চাকচা যুথক, লাইনীং লাইচৎনচিংবা হোংহন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু ঙমখিদে। নিংথৌগী শঙ্গাই যূমজাও শাবদা মীরম গুরু অসিনা পরিং থাবা উরেপ উয়ুং তম্বদু মওং মরীল নাইদবা ফীভমদা লৈরম্মী। মতম অদুদা অশাংবম শাগৈগী চহী তরাহুমদোইখক্তমক ঙায়রিবা পূম্নমক খঙবা, উবা ঙম্বা লাইপোক ওইরবা লাইবা কৌবা নুপামচা অমা লৈরম্মী। লৈবাক মরা চেৎনবগীদমক অতিয়া শিদবনা লাংওন্দুনা পোকখিবনি। মহাক্কী লোয়নবা ওইনবা ওক অমসু অরাম্বমগী পিবা হোঙবা কৌবা নুপা অমগী যূমদা লাংওনখি। মৈদিংঙুগী সনা শঙ্গায় পরিং থাবা উরেপ উয়ুং শোয়রে হায়বসি অখণ্ড অহৈশিংনা ঙাঙনরকপদগী লাইবনা তারম্মী। নিংথৌগী নাক্তা লাক্তুনা উরেপ উয়ুং অদুনা লাইনিংথৌগী পাখংবগী ময়াংলেন্দা নল্লে হায়দুনা শোয়রে হায়বদু খঙহল্লম্মী। অসুম্না নিংথৌ অমদি অঙম অথৌ য়াওনা খন্নরম্মী। মীরম গুরুগা লাইবগা মরৈ তৌনরকপদা নিংথৌ অমদি অঙম অথৌশিংনা লাইবগী ৱাফম্বু য়ানীংলম্মী। লাইবগী মরী মখোঙ খঙবগা লোয়নননা অরায়বা মী নত্তে হায়বসু খঙলম্মী। কৌব্রু চীং, লাঙ্গোল চীং, পিশুম চীং, হৈবোক চীং, থাংজীং চীং, লাঙ্গোল চীংনচিংবা মমিং লৈবা চীং ময়ামদগী য়ানবা মমিং নাইবা উ অথোই অহেন, থাঙ্গ করাংচীংগী ৱা অমদি লাংমাইচীংদগী ইনচিংবনা শঙ্গায় যূমজাও শাগদবনি হায়বা লাইবগী ৱাফমদু নিংথৌ য়াওনা পূম্নমক্লা হরাউনা য়ারম্মী। মীরম গুরুগী অশোয়বদু উৎলগে হায়দুনা লাইবনা লাইশোল শোল্লগা হান্নগী উরেপ উয়ুং অদুদা খূবাক্লা তরেৎলক থাবদা যূম্বী পূম্নমক ফুক্তোল্লগা পাইখিদুনা লোক্তাক্তা তাখি। যূম্বী মখুলশিং অদুদগী ঈ ফৃ-ফৃ কাপথোরকখি। অসিগুম্লবা অকি তুজুংলবা ফীভম অসি কোকহন্দুনা য়াইফনবা পাম্বে নিংথৌনা লাইবদা হংলম্মী। পূম্নমক অসি ইবুধৌ পাখংবগী মতিক উৎপনি হায়বা খঙহনবগা লোয়নননা মহাকপু কাউদনবা লাইবনা হায়রম্মী।

লাইবনা লোয়নরকখিবা অতিয়া শিদবগী লাংওন ওইবা অরাম্বম পিবা হোঙবগী যূমদা লৈবা মমায় লাংবা লাইবক অমদি মখোঙ মরিমক ঙৌবা ওক পুকচাও অদু লৌরুরগা মহাকসু য়াওনা ঈরাৎ থৌনিগদবনি হায়রম্মী। ৱারোল অদু তারবদা থীন্থবা তৌদনা ওক অদু লৌরুনবগীদমক মনাই তরেৎ হোঙবগী যূমদা ফুম্বঙনরম্মী। অদুবু নিংথৌগী য়াথং হীক্তোকপা য়াদবনা পীখিবা তারম্মী। ওক অদু মকোন্দগী হোইদোক্লবা হোৎনরুবা মতমদা মরাঙ হৌরবা ওক অদুনা লাউ খোংবদগী কনামত্তনা চঙবা ঙমদ্রে। হোঙবা মশামক য়াওনা নিংথৌ মনাইশিং অকি তুজুংনা চেল্লক্লগা নিংথৌদা পাউদম্লম্মী। মাগী মশক উদবননি মহাক চৎকে হায়দুনা লাইবসু য়াওনা চৎখ্রে। লা লাতোন অমদা চেঙকুপ খরা, তিংথৌ মতোন তরামঙা অমদি কোনয়াই হাপ্তুনা কৎলগা মখোয় অনী নিংথৌ নাউফংবগীদমক মালেমদা পোকমিন্নরকখিবদু মতম ওইরে চৎলসি হায়না লাইবনা থেল্লম্মী। মতৌ অসুম্না ওক অদু মকোন্দগী থোরক্তুনা লাইবগী মাঙ থারগা হোঙবা য়াওনা ময়ামসু কোনুংদা য়ৌরক্লম্মী। লাইবনা হায়বা মতুংইন্না ওক্কোন অমা খুদক্তা শাদুনা মদুদা ওক পুকচাও থল্লম্মী। মথং নুমিৎকী অহিং নোংয়াই চবুক্তা নিংথৌ, লাইবা, হোঙবা অমদি ওক পুকচাও মখোয় মরি শঙ্গাই যূমজাও যূম্ফমদা থোরক্লম্মী। শঙ্গাই যূমজাও কা মাপন অদুদা হোঙবনা শেন্নরগা থাদোক্লম্মী। লাইবগা নিংথৌগা খা ৱাংদা লেপ্লগা ওক অদুগী মচিন্না লৈবাক লৈতুমশিং ইন ইন্দুনা ঈকা পাথোরকখিবা যূম্বী মখুনশিং অদু মেনশিল্লম্মী। লোয়নননা মখা, অৱাং, নোংচুপ, নোংপোক লাইজি চিথেক মরিমক্কী লৈবাক খোগায়দুনা যূম্ফম অদু লৈতেম মান্ননা শেন্লম্মী। মতৌ অসুম্না সনা শঙ্গাই যূমজাওগী পরিং উরেপ উয়ুং লানবদগী নিংথৌ অমদি লৈবাক মীয়াম অৱাফমদা তারমগদবদগী অতিয়া শিদবনা লাংওনখিবা অশাংবম লাইবা অমসুং ওক পুকচাওনা কনবীদুনা নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না ঈংনা চিক্লা পানখিবগী ৱারী অসি সাকোক লমলেলনে হায়বা অরিবা লাইরিক অসিদা য়াওরি। মতৌ অসুম্না লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ওক অসি ইচম চম্বা শা ওইরমদ্রে। মশাগী ঈ কখোক্তুনা তাইবঙ মীওইবগী অৱা অনা কয়াবু মহুৎ শিন্দুনা পুবীখিবা ঙম্বা শানি হায়বসি লমদম অসিগী লাইথৌ তিন্থৌগী থৌরমশিংদা ওক শরেন চল্লম্বসিনা ময়েক শেংনা উৎলি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা লাইগী মতিক ময়াই চেল্লবা ওকনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

এ দি সী বিল ২০২১ মীয়াম মাঙদা হান্না থম্বীয়ু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর (হিলস এরিয়াজ) এ দি সী বিল ২০২১ মণিপুর এসেমব্লিদা পুথোক্লিঙৈদা মণিপুর মীয়াম মাঙদা হান্না খন্ননবা থম্বীয়ু হায়না সলাই কনবা লুপ (সী সী) হেদ ক্বার্টরস থৌবালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল কংলৈচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী অরিবা পুৱারীদগী হৌরগা চীংমী-তম্মী অনীমক অমত্তনি হায়বসিমদি চুল্লগদবা ৱাফম্নি। চীংমী নৎত্রগা তম্মী হায়বা ৱাহৈ অনী খায়দোকফমসু থোক্তবনি। য়েলহৌমী, লৈহৌমী, হৌরকমীশিংগী মনুংদা মতমগী মতুং ইন্না লাইনিং লম্বীদা, ফিজেৎ-চাকচাদা অহোংবা, মান্নদবা খরা লৈজরবসু য়েক-সলাই লোইনা লৈজরি। য়েক-সলাই লৈবশিং অসি মণিপুরগী লৈহাও, ঈশিং-নুংশিৎ অসিগা শাগোন্নদুনা পুৱারী সিভিলাইজেসন শেম্মীন্নরকখিবা নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী খুন্দা-লৈতাদুনা মতম শাংনা অপূনবা হৌজিক্কী মণিপুর অসি পূন্না লৈঙাকপদসু য়াওমিন্নদুনা লৈমিন্নরকখিবনি।

হিলস এরিয়াজ কম্মিটিনা পুথোক্লক্লিবা দ্রাফট বিল 'মণিপুর হিল এরিয়জ ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল বিল-২০২১' মণিপুরদা পেরেল্লেল গভর্ণমেন্ট অমা লৈহন্নবগী ৱাফম য়াওবনা তোখায়বা লৈঙাক্লোন অমা হিল এরিয়াশিংদা লৈহল্লকপা য়াবশিংদি য়াওহল্লোইসি। বিল অসিনাষ্টেটসিগী মনুং হিল অমদি প্লেন পীপল হায়দুনা তোখায় তোখায়বা মওংগী দ্বেল সিটিজনশিপ অমা লৈহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈবনা বিল অসি এসেমব্লিদা পুথোক্লিঙৈ মীয়ামদা য়েলহৌমী ওইরিবা ফুরুপ খূদিংমক য়াওহন্দুনা পূন্না অফ-ফত্ত খন্নরগা য়েংমিন্নখিসি হায়রি।

জুলাই থাগী চেঙ ফংহনগনি:সৈত্যব্রত

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা)গী মখাদা চৎলিবা চহী-২০২১ জুলাই থাগী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী চেঙগী ক্বোটা পীরকখিবা মাঙহনবা লৈতে হায়না ঙসি মণিপুর এসেমব্লিগী মীফমদা সুগ্নু এ সী এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা কঞ্জ্যুমর্স এফেয়র্স ফূদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর টিঐচ সৈত্যব্রতনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঈ-পোষ্ট মেছিন শীজিন্নবা ৱাৎপদগী জুলাই থাগী চেঙগী ক্বোটা এম টি ১০৬১০.৬৪৫ ফংগদবদা শুপ্নগী এম টি ২৮৩১.৯২ ফংবদগী য়েন্থোক্ত্রি। হৌখিবা ২০২০গী এপ্রিলদগী নভেম্বর ফাওবদা পি এম জি এ ৱাইগী অহানবা অমসুং অনীশুবা ফেজগী পীখিবা চেঙশিং অদুদা মেন্যুএললি পীখিবা ঈ-পোষ্ট অপদেট তৌহৌদবশিং অদুনা মরম ওইরগা মিনিষ্ট্রিদগী চেঙগী ক্বোটা অদু ককথরকখিবনি। ককখিবা জুলাই থাগী চেঙগী ক্বোটা অদু চিফ মিনিষ্টরগী লীচিং মখাদা লৌননবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। মখোয়না ককখিবা চেঙগী ক্বোটাশিং অদু পীরক্লে হায়বগী থাজবসু পীরকখ্রে। মরম অদুনা ককখ্রবা চেঙশিং অদু হেক পীরকপগা লৈবাক মীয়ামদা য়েন্থোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

হৈরোক এ সীদা কোংগ্রেসতগী তোক্লগা এম এল এ টিঐচ রাধেশ্যামদা শৌগৎলকপা লেপত্রি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস): হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেস পার্টিগী সপোর্টর কয়া মথং মথং কোংগ্রেস পার্টি থাদোক্লগা হৌজিক হৌজিক এ সী অসিগী এম এল এসু ওইরিবা বি জে পিগী এম এল ডা. থোকচোম রাধেশ্যামদা শৌগৎনখ্রে।

ঙসিসু হান্না কোংগ্রেস পার্টিদা ভোট পীরম্বা হৈরোক পার্ট-ৱান ময়ায় লৈকায়দগী মীওই ১৮ অমসুং সলুংফমদগী মীওই ৬৫ পূন্না মীওই ৮৩ কোংগ্রেস পার্টিদগী তোক্লগা এম এল এ রাধেশ্যামদা শৌগৎখ্রে। থা অসিগী ২০দা কোংগ্রেস সপোর্টর ৭১না পার্টি অসিদগী তোক্লগা এম এল এ রাধেশ্যামদা শৌগৎলে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

অতেনবা মতমদা এম এল এ রাধেশ্যামনা হৈরোক এ সীদা পায়খৎপীরিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া উবদা অপেনবা পোক্তুনা এম এল এ রাধেশ্যামদা শৌগৎপনি হায়রি।

হৈরোক অমসুং সলুংফমদা তোঙান তোঙান্না পাঙথোকপা বি জে পিদা নৌনা চঙলক্লবশিংবু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরমশিং অদুদা এম এল এ রাধেশ্যামনা নৌনা বি জে পিদা য়াওরক্লবশিং অদুবু তৌবীমল খঙবা উৎপগা লোয়নননা পার্টি অসিগী তুপি অমসুং লেংয়ান ফি য়ানবীখি।

এম এল এনা হায়, বি জে পি অসি মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা পোলিটিকেল পার্টিনি। বি জে পিনা ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নবা, ঐখোয় পূন্না চাওখৎমিন্নবা হায়বা অসিদা থাজবা থল্লগা থবক পায়খৎপদগী মীয়াম্না পার্টি অসিদা থাজবা থম্বনি।

হৈরোক এ সীগী মতাংদা পল্লদুনা এম এল এ রাধেশ্যামনা হায়, হৈরোক এ সী অসি য়াম্না ফিদম্নিঙাই ওইবা, অফবা, অঙৈংবা চিকপা, মচিন-মনাও, কৈরোই লৈকায় নুংশিনবা লৈবা, খৎন-চৈনবা য়াওদবা, হুরান-চিন্থি লৈতবা, লৈত-লায়রা লৈতবা, অমগা অমগা ইকায় খুম্নবা লৈবা, থাক মান্নবা এ সী ওইনা শেমগৎমিন্নসি।

এম এল এনা অসুম্নসু হায়, লাক্কদৌরিবা চহী ৫ অসিদা হৈরোক এ সীগী ওইনা করি করি তৌগনি হায়বদুগী প্রি-প্লান অমা শেমিন্নসি। মদুদা পোল্লিং পোল্লিংগী খন্নরগা অমদি লৈকায় লৈকায়গী, খুন খুনগী, নুপীগী অঙাংগী, অহলগী লাইরিক লাইশু হৈবা-হৈতবা, হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিং, নুপীশিংগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎনবা, নহাশিংনা মশানা মশাবু থবক পীজনবা লম্বী পুথোকপা, স্কুল শাফম, কম্যুনিটি হোল শাফম, শান্নবুং শেমগৎপা অসিনচিংবা কয়া অদু প্লান অমা তৌরগা চৎমিন্নসি। মীয়ামগী পাউখোল্লোই অমা ওইজরিবা এম এল এনা মীয়ামগী অপাম্বশিং অদু থবক ওইনা ওন্থোক্লবা চেন-চোংজগে, মদুদা অশোয়বা অরানবা য়াওরবসু মীয়াম্না ঙাকপীয়ু হায়খি।

রাধেশ্যামনা মখা তারদুনা, নুংশিনবা হায়বা অসিদগী হেনবা অতৈ লৈতে। অতোপ্পগী অৱাবদা মতেং পাংবীবা অসিসু নুংশিনবা পুরক্লবগী অচৌবা লম্বীনি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা ৱাখল্লোল খেন্নবা হায়বসি শোয়দনা লৈগনি, মদুদা ঐখোয় মশেল শাউনবা, য়েংথিনবা খক তৌরোইদবনি হায়খি।

বি জে পি হৈরোক মন্দলগী ৱর্করশিংনা কন্না হোৎনবশিং অদুবু এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা থাগৎপা উৎলদুনা মখা তানা হায়, ৱর্করশিংনা হৈরোক এ সীদা যূম লৈতবা কয়াম লৈরি, চানবা লৈতবা কয়াম লৈরি, শেল লৈতবদগী অঙাং স্কুলদা মিং চনবা ঙমদবা কয়াম লৈরি, হীদাক লৈবা ঙমদবদগী অনাবা খাংজিন্দুনা লৈবা মী কয়াম লৈরি হায়বসি থীদোকপীয়ু। এ সী অসিগী অৱাৎ-অপা ময়াম অসি ঙল্লিবমখে মেনখৎনবা হোৎনমিন্নসি। এ সী অসিদা লৈরিবা লৈত-লায়রবশিং অৱাবা তারবশিং পার্টি পূনবা পূন্দবা থীদনা মতেং পাংসি। ঐখোয় অমত্তা ওইরবা মতমদা নুংশিনবা, চাওখৎপা হায়বদু মশানা লাকচগনি। ঐখোয় মশেল নুংশিনবা, অমগা অমগা মতেং পাংনবা অসিনা অথোইবা লাইনিংনি হায়খি।

এম এল এ রাধেশ্যামনা নৌনা বি জে পিদা য়াওরক্লবশিং অদুবু থাগৎপা ৱাফম কয়া থল্লদুনা মীখলগীদমক ঐখোয় মশেল অমগা অমগা হুন্নবা, খৎন-চৈনবা অসি তৌরোইসি। সোসল মীদিয়াদা হৈরোক এ সীগী মতাংদা হুন্নরিবা ময়াম অসি বি জে পিগী ওইনদি তৌবীগনু। এম এল এবু অতোপ্পা পার্টিগী ৱর্করশিংনা সোসল মীদিয়াদা থীনা চৈবদু চৈজসনু, অচুম্বদি লেঙদনা লৈগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, তরাম্না ওকপগী থৌরমশিং অদুদা হৈরোক পার্ট-থ্রীগী প্রধাণ এন তাংবা, কাংয়াম্বেম জি পিগী প্রধাণ পিঐচ লৈবাকচাও, বি জে পি হৈরোক মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোঙাম মরিং, হৈরোক এ সীগী সোসল ৱর্করগী নোমীনি এম তোম্বনচিংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

হার ফংদনা লৈরিবা ক্ষেত্রিগাওগী লৌমীশিংদা পুনম রানিনা হার ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস): লৈঙাক্লা লৌমীশিংদা হার ফংহল্লি হায়রবসু লমদম অসিগী মফম অয়াম্বগী লৌমীশিংনা হৌজিক য়াম্না তঙাইফদনা মথৌ তারল্লবা মতম ফাওবদা হার ফংদনা লৈরি। হার ফংদবগী প্রোব্লেম অসি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী লৌমীশিংদসু চাওনা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা হার ফংদবগী অৱাবা অসিদা মতেং পাংনবগী পান্দমদা ক্ষেত্রিগাওগী লৌমীশিংদা হার ফংহনবনি হায়না সোসল ৱর্কর পুনম রানি ৱাংখেমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শিন্দুনা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুংচন্না লৈবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা পাঙথোকখিবা লৌমীশিংদা হার য়েন্থোকপগী থৌরম অমদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎনবা অমদি লমদম অসিদা দবল অমদি ট্রিপ্পল ক্রোপিং ফাওবা তৌনবা ৱাফম কয়া ঙাঙন শরুক্করি। অদুবু হার ফাওবা মতিক চানা পীবা ঙমদ্রিবা অসিনদি দববল অমদি ট্রিপল ক্রোপিং তৌবগী ৱাফম অসি মায়পাকপা ৱাগদ্রা হায়না খল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। হার য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা চাওরাক্লা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা লৌমী কয়াদা হার ফংহনখি হায়রি। লৌমীশিংদা হার য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

মীওই ১০দা লেৱানা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী ৱারবা মতম অসিদা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা অৱাবা তারবশিংদা মতেং পাংবগী চথরকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসি লমদিং লৈকায় ৫দা হকচাংগী ফিভম শোক্তুনা হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদ্রবা মীওই ১০দা চান-থরুবা পোৎলমশিং পীদুনা তেংবাংখ্রে হায়না লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা)গী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদ্রবা মীওই ১০দা মতেং পাংখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা লেৱাগী এদভাইজর ওইরম্বা কেঐচ জুগিন্দ্রোনা থা অসিগী ২০দা লৈখিদবদা লেৱানা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমসু পাঙথোকখি।

লৈখিদ্রবা কেঐচ জুগিন্দ্রোগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা লেৱা তেংবাঙ মরুপ্না লুপা ৮,৩০০ অমদি চেঙ কিলোগ্রাম ১৬১সু খূৎশিন্নখি। লেৱানা চথরক্লিবা তেংবাঙগী থবক অসি মখা তানা চথখিগনি হায়রি।

ত্রিপুরাগী লালশিংমুরাদা ইমালোলগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস): মণিপুরী লোলনা ভারতকী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা ১৯৯২ গী ওগষ্ট ২০বু নীংশিংলদুনা ত্রিপুরাগী মীতৈ খুঞ্জা লালশিংমুরাদা লৈবা সোসিও এন্দ কল্চরেল ওর্গনাইজেসন মরুপ অমদি পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম (পি এ দব্লিয়ু এফ), ত্রিপুরা ব্রাঞ্চকা খূৎশম্নরগা ৩০রকশুবা ইমালোলগী নুমিৎ নীংশিং থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থাঙ-তা য়াওনা নাৎকী ওইবা ঈশৈ, জগোই কয়াগা লোয়নননা পাঙথোকখিবা ইমালোলগী নুমিৎ নীংশিং থৌরম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগী জেনরেল সেক্রেটরি লাঙ্গোলজম বিরমঙ্গোলনা অথোইবা মীথুংলেন, মরুপ ওর্গনাইজেসনগী এদভাইজর নিংঙোম্বম মোধুনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এন আই টি অগরতালাগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার অনুরাধা নোংমাইথেম, তখেল লৈরাংগী এদিটর টিঐচ নিলকুমার অমদি ঙাঙোম মোধুমঙ্গোলনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ইমালোলগী নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগী মতাংদা মরুপ ওর্গনাইজেসন অমদি পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, ত্রিপুরাগী এদভাইজর নিঙোম্বম প্রনোইনা নুংগী ওইবা ৱারোল থমখি। মহাক্না হায়- 'ত্রিপুরাগী লালশিমুরাদা কুমজা ২০১১দগী মরুপ ওর্গনাইজেসননা শীল-লাংদুনা ১৯৯২গী ওগষ্টকী তাং ২০ অসিবু নীংশিংদুনা ইমালোলগী নুমিৎ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৩দা পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, ত্রিপুরা ব্রাঞ্চ লিংখৎলবা মতুং কুমজা ২০১৪দগী ফোরম অসিগা খূৎশম্নরগা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা লাক্লি। ইমালোলগী নুমিৎনা লাকপসিদা ত্রিপুরাদা খুন্দারিবা মীতৈ ইচিল-ইনাওশিংদা হায়জরি মদুদি ঐখোয়গী লোল অসি শীজিন্নসি। লোল অসি ঙাঙনসি। লোল অসি ঐখোয়না শীজিন্নদ্রগদি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরল্লিবা লোল অমদি ময়েক অসি মাঙখিগনি। ঐখোয়গী লোল অমদি ময়েক অসি কনমিন্নসি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা লাঙ্গোলজম বিরমঙ্গোলনা ফোঙদোকখিবদা- মণিপুরী লোলগী থাক অসি হেন্না ৱাংবা থাক অমদা পুখৎনবা হোৎনবদা চাওনা মতেং ওইননবা লোল অসি ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা মথৌ তারে। ত্রিপুরা লৈঙাক্লসু লোল অসিবু চাওখৎনবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

ইমালোলগী থৌরম অদুগী মতাংদা পি এ দব্লিয়ু এফ, মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা য়াইফ-পাউজেল পীবা ৱারোল অমসু নিঙোম্বম প্রনোইনা পাথোক্তুনা মীয়ামদা তাহনখি। য়াইফ-পাউজেলগী ৱারোল অদুদা- মরুপ ওর্গনাইজেসন লালশিংমুরানা পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, ত্রিপুরা, লালশিমুরাগা খূৎশম্নরগা পাঙথোক্লিবা ইমালোলগী নুমিৎ অসি য়াম্না মমল য়াল্লবা থৌরম অমনি হায়না লৌজে। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি লৈখিবনা তাল্লবা ত্রিপুরা লমদমদা লাক্তুনা থৌরমসি শরুক য়াবা ঙমখিদ্রে। মসিমক পুন্সিদা নীংবা কায়বা মীকূপ অমা হায়বদু ওইরে। ত্রিপুরাগী মীতৈ ইচিল-ইনাওশিং পূম্নমক্কী মীনুংশি ঙসিসু ঐগী হকচাংগী লূ-তোংদা লৈরি। ঈগী মরী ওইরবা ত্রিপুরাদা খুন্দারিবা ঈরৈচা পুম্নমক্কা অমুক উন্নবা লাকচবা ঙম্বগী থৌজাল অদুসু নীজরি।

ঐখোয় মীওইবা খুন্নাই অসিনা ইশাগী হৌরকফম অমদি শক্তম মশক তাকপদা ইশাগী লোল অমদি ময়েক হায়বসিমক য়াম্না মরুওইবা অমনি। চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারী লৈজরবা মণিপুরীশিং মীতৈশিংগী অরিবা অশেংবা লোল অমদি ময়েক লৈজরম্বা অসিনা মালেমগী মীয়াম মাঙদা ঐখোয় চাউথোক্লা হিংবা ঙল্লিবনি। মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাক কয়া ঙসিসু মশাগী লোল অমদি ময়েক লৈজরমদবগী নিংদোম পোম্বা য়াওনরিবনি। অদুবু মণিপুরী ঐখোয়গীদি ঐখোয়গী হৌখ্রবা ইপা ইপুশিংনা চেকশিন্না থম্বীরম্মী। অসিগুম্বা ঐখোয়গী লন ওইরিবা লোল অমদি ময়েক অসি ঐখোয়না ঙাক্লবা হোৎনমিন্নরসি। ঐখোয়না ঙাক্তনা অতোপ্পা ফুরুপ অমত্তা লাক্তুনা ঐখোয়গী লোল অমদি ময়েক ঙাকপীরোই। ঐখোয়গী লোল অসি ঐখোয়না শীজিন্নসি। চাওখৎলবা বেঙ্গোলি, ইংলিশ, হিন্দিনচিংবা ঙাঙলগা লাইরিক হৈবা মানবা, লেম্বা শাবা, চাওখৎপনি হায়না খনবগী ৱাখল থাদোকমিন্নসি। ইশা ইশাগী মিং অমদি ইচা-ইশুশিংগী মিং থোনবদা ইমালোননা থোনমিন্নসি। অয়ূক, নুমিদাংদা যূমদা ঐখোয় মশেল ৱারী-ৱাতাই শানবদা ঐখোয়গী ইমালোন্দা শানসি। চাওখৎপা লোল শীজিন্নবা মীকূপ খূদিংগী ঐখোয় ইশাগী লোল অমমম শি হায়বসি কাওগুমসি হায়রি।

থৌরম অদুদা ত্রিপুরাগী তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্টশিংনা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং উৎখি। ত্রিপুরাগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

দিনেশচন্দ্রগী মীৎয়েংখাদা লম্বী শেমজিনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস): জয়মতি ফার্মাসিয়ুটিকেলস, গুৱাহাটিগী প্রোপ্রাইটরসু ওইরিবা পাৎশোই এ সীদা মীখল থেংননবা শেম-শারিবা ৱাহেংবম দিনেশচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা ফিভম কা-হেন্না শোক্লবা লম্বীশিং শেমজিন-শাজিনবগী খোঙথাং লেপ্তুনা চথরি।

দিনেশচন্দ্রনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী মনুং চন্না সঙাইপ্রৌ কবুই খুল, তেরা লুক্রাম লৈরক ময়ায় লৈকায়, ময়োংবম লৈরক, সোইবম লৈরক, তেরা য়েংখোম লৈরক অমদি নোংথোম্বম লৈরক্কী ফিভম শোক্লবা লম্বীশিং নুং হৈদুনা থোঙ্গৎপগা লোয়নননা শেমজিনবগী থবক অসি চথরি।

দিনেশচন্দ্রনা মখা তানা হায়খিবদা, ঈরম-নালাশিং মতিক চানা লৈতবা অমদি লম্বীনা ঈরম নালাদগী হেন্না কুখনা লৈখিবনা নোংজু থা খূদিংগী মীয়াম্না ঈশিং-ঈচাওগী খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লবনি। ইম্ফাল সিটিদগী নক্লা লৈরবসু, অতৈ এ সীশিংগা য়েংনরুবদা শোত্থনা লৈরিবা পাৎশোই এ সী অসি মাঙলোমদা পুখৎনবা ঐখোয় পূন্না হোৎমিন্নসি।

চহী কয়াদগী পাৎশোই এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফত্তনা লৈরক্লিবা লম্বীশিং অসি নোংজু থা মতম লাকপা খূদিংগী অচৎ-অওকশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবা অসি খরদা ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা লম্বীশিং শেমজিনবগী খোঙথাং অসি লৌখৎপনি হায়খি।

অমরোমদা, লম্বী শেমজিনবা অসিদা অপেনবা পোল্লদুনা তেরা লুক্রাম লৈরক্কী মনুং চন্না লৈরিবা কাংজম লৈরক্কী মীওই কয়ানা দিনেশচন্দ্রগী যূমদা লাক্তুনা মখোয়গী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংলম্বা অসিবুসু দিনেশচন্দ্রনা অপেনবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

মৈ থান্নবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস): ৱাংখেম এ সীদা হান্না মীরেপ ওইখিবা চরাংপাৎতগী সোসল ৱর্কর কাঙাবম জাদুমনিনা শান্নরোয়শিংগী অমদি ৱাংখেম এ সীগী মীয়ামগীদমক য়েংলগা ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা শান্নবুংশিং অমসুং লৈরকশিংদা ফোল্ক লাইট য়াওনা তোঙান তোঙানবা মৈশিং থান্দুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায় য়াম্বেম লৈরক্তা মৈ থান্নবা ফোল্ক লাইট, বল্ব অমদি ইলেক্ট্রিক তারাশিং মতেং পাংদুনা ক্লব অমদি লৈকায় মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

ক্লব মেম্বরশিং অমদি লৈকায় মীয়াম য়াওনা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকপা থৌরমদা সোসল ৱর্কর কাঙাবম জাদুমনিনা পোৎলমশিং অদু খূৎশিন্নখিবনি। মখা তানসু লৈরক-খুল্লক শান্নবুংনচিংবা ৱাংখেম এ সীগী খুঞ্জা কয়াদা মৈ পীবগী প্রোগ্রাম চথখিগনি হায়রি। সোসল ৱর্কর কাঙাবম জাদুমনিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মতুং তারকপদসু মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা অমদি মায় পাকপা ওইবীয়ু হায়নসু ক্লবকী মেম্বর অমদি মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

ক্ষেত্রি তামাদা ওনররি দোক্টরেট এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচএনএস): কম্মনৱেল্ঠ ভোকেসনল য়ুনিভর্সিটি, মকৌঙা, হাহাকে, কিংদম ওফ তোঙ্গানা কোংপাল মমাঙ সাবল লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা ক্ষেত্রিময়ূম অমর অমদি ক্ষেত্রিময়ূম ওংবী অচৌবা অনীগী মচানুপী মীয়াম্না ক্ষেত্রি তামা হায়রগা হেন্না খঙনরিবী সোসল এক্তিভিষ্ট ক্ষেত্রিময়ূম তামাদা লেমজনিংঙাই ওইরবা দোক্টর ওফ ফিলোসোফি 'ওনররি দোক্টরেট এৱার্দ-২০২১ পীদুনা ইকায় খুম্নরক্লে।

ক্ষেত্রি তামানা শাংলবা চহী ৩০ রোমসিদা সোসল এক্তিভিষ্ট অমা ওইনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া কথোকপগা লোয়নননা হোৎনখিবা কয়াবু শকখঙলদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিনা লেমজনিংঙাই ওইরবা ওনররি দোক্টরেট এৱার্দ অসি পীরকপনি।

হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল ইষ্ট জিল্লা পরিষদ উপ অধক্ষ্য ওইদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবী ক্ষেত্রি তামা কোংপাল সাবল লৈকায়দা কুমজা ১৯৭৫গী এপ্রিল ১দা তাইবঙ খোঙদারকখি। মহাক কুমজা ১৯৯৫ দা ওসমানিয়া য়ুনিভর্সিটি, হায়দ্রবাদতা বেচলর ওফ কম্মর্স (বি কোম) লোইশিল্লবা মতুং কুমজা ১৯৯৮ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মাষ্টর ওফ কম্মর্স (এম কোম) ফর্ষ্ট ক্লাস ফংদুনা লোইশিনখি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লৈকায়গী থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়াখিবী ক্ষেত্রি তামা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী প্রোগ্রাম কয়াদসু মাঙজিল থানা থবক তৌরকখিবী লমদমসিগী চনু অমনি।

১৯৯৮ তগীনা ১৯৯৯ ফাওবা ওল মণিপুর য়ং পাইওনির ওর্গনাইজেসন (এমিপো)গী সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুখি। কুমজা ২০০০ দগীনা ২০০১ ফাওবা ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্ট ফেন্দেরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাওন্সিলগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরকখি। কুমজা ২০০৫ দগীনা ২০০৬ ফাওবা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুদুনা ষ্টেটসিগী নুপী ওইবীশিংগীদমক অমদি মণিপুর মীয়ামগী য়াফইনবা থবক কয়া পায়খৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

কুমজা ২০০৬তগীনা ২০০৭ ফাওবা নেসনল ফেন্দেরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেন (এন এফ আই এম)গী নেসনল কাওন্সিল মেম্বর ওইখিবতা নত্তনা নেসনল হোকর্স ফেন্দেরেসন (এন ঐচ এফ)গী সেক্রেটরি ওইনা ২০০২ দগী হৌজিক ফাওবা থৌ পুরি। লোয়নননা রোদ সাইদ ভেন্দর্স ৱেলফ্যের এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইনা কুমজা ১৯৯৮ দগী হৌজিক ফাওবা থৌ পুদুনা মীয়ামগী থবক লেপ্তুনা তৌরি। কুমজা ২০০৬ তগী ঙসি ফাওবা ওল ইন্দিয়া ৱিমেন হোকর্স ফেন্দেরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইনসু থৌ পুরি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।